

# সনালৈবাক স্পোর্টস



MONDAY, APRIL 07, 2014, PAGE 7

*দেবিস কপকি এসিয়ন ওসিনদা*
*মায় পাকপা পুরকখিবা*
*ইন্দিয়াগী সোমদেব*

*মাষ্টর টুর্নামেন্টতা কনাগুম্বা অমগী*
*মিচং লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবা*
*শান্নরোই রোরি মেকরোই*

## শ্রীলঙ্কানা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৬ তা মায়থীবা পীখ্রে



*মিরপুর, এপ্রিল ০৬ঃ*

বঙ্গলাদেশনা যুম্থু ওইদুনা মার্চকি ১৬ তগী চথরকখিবা আই সি সি টি–২০ ৱার্ল্ড কপ ক্রিকেটকি ঙসি শ্রীবঙ্গলা নেসনেল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা শ্রীলঙ্কানা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৬ তা মায়থীবা পীবগা লোয়ননা চেম্পিয়নগী ট্রোফি লৌখ্রে।

শ্রীলঙ্কানা টোস ঙমদুনা হান্না বেটিং খন্দুনা শান্নখি। ইন্দিয়ানা বেটিং তৌদুনা শান্নবা হৌরকখিবা মেটচ অদুদা ওপর ওইনা রোহিট শর্ম্মা অমদি অঞ্জেকা রহনেনা ফেস তৌখি। ওভর ১.৩ চৎপদা অঞ্জেকা রহনে আউট ওইখি। মতম অসিদা ইন্দিয়ানা শুপ্নগী রন ৪ খক লৌখি। মহাক্না বোল ৮ দা রন অহুমখক লৌরমখি।

ইন্দিয়াগী ওইনা অনীশুবা ৱিকেট অদুনা ওভর ১০.৩ দা রোহিট শর্ম্মা তুবদা ওইখি। মতম অসিদা ইন্দিয়ানা রন ৬৪ লৌখি। রোহিট শর্ম্মা রঙ্গানাগী বোল অমদা সচিত্রনা ওক্তুনা আউট ওইখিবনি। মহাক্না বোল ২৬ তা ফোর ৩ য়াওরগা রন ২৯ লৌরমখি।

অহুমশুবা ৱিকেট অদুনা ওভর ১৮.১ দা যুবরাজ সিংহ আউট ওইবা মতমদা ওইখি। যুবরাজনা বোল ২১ দা রন ১১ খক লৌরমখি। মরিশুবা ৱিকেট অদুনা ওভর ২০ শুবদা বিরাট কোহলি আউট ওইখি। মতম অসিদা ইন্দিয়ানা রন ১৩০ লৌখি।

ইন্দিয়াগী রন য়াম্না লৌখিবা শান্নরোই অদুদি বিরাট কোহলি ওইখি। মহাক্না বোল ৫৮ দা ফোর ৫, সিক্স ৪ য়াওরগা রন ৭৭ লৌখি। মহাকপু মলিঙ্গানা লাষ্ট ওভর ওইনা লংবা অদুগী লাষ্ট বোলগী রন অনী চেন্নবা হোৎনবদা রন অমা লৌরগা অনীশুবা রন চেন্নবা হল্লকপদা ফিল্ডরনা লঙাকপা বোল অমা ষ্টমদা পান্দুনা আউট ওইখিবনি।

ইনিংস অসিদা ইন্দিয়ানা শ্রীলঙ্কাগী মায়কৈদগী এক্সট্রাদা রন ৬ খক ফংখি। এক্সট্রাদা ফংখিবা রন ৬ অদুদি বাই ২, লেগ বাই ২, ৱাইদ ২ নি। শ্রীলঙ্কাগী ফিল্ডিং য়াম্না তাইট ওইরবসু ইন্দিয়াগী বিরাট কোহলিনা অহোবা য়েংদুনা ফোর লৌনবা হোৎনখি। করিগুম্বা ফোর লৌগদবা মফম অদুদা শ্রীলঙ্কাগী ফিল্ডরনা টাইট তৌশিনখ্রবদি মহাক্না সিক্স লৌদুনা শ্রীলঙ্কাদা অকন্নবা প্রেসর পীখি।

শ্রীলঙ্কাগী ওইনা এঞ্জেলো মেথ্যুনা ৱিকেট অমা লৌখি। মসিদা মহাক্না ওভর ৪ দা রন ২৫ পীখি। শ্রীলঙ্কাগী ওপনর বোল্লর ওইখিবা নুৱান কুলাসেখরানা ওভর ৪ দা রন ২৯ পীরগা ৱিকেট ১ লৌখি। সচিত্রানা ওভর ৪ দা রন ২২ পীখি। মলিঙ্গানা ওভর ৪ দা রন ২৭ পীখি। রঙ্গানানা ওভর ৪ দা রন ২৩ পীরগা ৱিকেট অমা লৌখিবনি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অনীশুবা ইনিংসতা শ্রীলঙ্কানা ইন্দিয়াগী টার্গেট রন ১৩১ লৌনবা হোৎনরি।

শ্রীলঙ্কাগী কুসাল পেরেরা অমদি দিলশাননা ওপনর ওইনা শান্নখি। অদুবু ওভর ১.১ দা কুসাল পেরেরা মোহিট শর্ম্মাগী বোলদা জাদেজানা ওক্তুনা আউট ওইখি। মহাক্না বোল ৭ তা ফোর ১ য়াওরগা রন ৫ লৌরমখি।

মহাক্কী মথংদা মহেলা জয়াৱারদেনা থোরক্তুনা দিলশাননগা পার্থনর ওইদুনা মখা তানা রন লৌনবা হোৎনরকখি। অদুবু ওভর ৫.৫ দা দিলশান আর অস্বিনিগী বোল অমদা বিরাট কোহলিনা ওক্তুনা আউট ওইখি। মহাক্না বোল ১৬ তা ফোর ৪ য়াওরগা রন ১৮ লৌখি।

অহুমশুবা ৱিকেট অদুনা ওভর ৯.৫ দা মহেলা জয়াৱারদেনা আউট ওইখি। মহাক্না বোল ২৪ দা ফোর ৪ য়াওরগা রন ২৪ লৌরমখি। মহাকপু সুরেস রাইনাগী বোল অমদা আর আর অস্বিনিনা ওক্তুনা আউট ওইখিবনি।

শ্রীলঙ্কাগী অরোইবা ৱিকেট অদু ওভর ১২.৩ দা তুখি। মসিদা লহিরু থিরিমানি আউট ওইখি। মতম অসিদা শ্রীলঙ্কানা ৱিকেট ৪ তুবদা রন ৭৮ লৌখি। শ্রীলঙ্কানা ওভর ১৭.৫ দা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১৩৪ লৌদুনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৬ তা মায়থীবা পীখিবনি।

ইনিংস অসিদা ইন্দিয়াগী বোল্লরশিংনা শ্রীলঙ্কাদা এক্সট্রাদা রন ৫ পীখি। এক্সট্রাদা পীখিবা রন ৫ অদুদি লেগ বাই ২, ৱাইদ ৩ নি। ইন্দিয়াগী ওইনা ৱিকেট লৌখিবা বোল্লরশিং অদুদি মোহিট শর্ম্মা, আর অস্বিনি, এস রাইনা অমদি অমিট মিস্রনি।



## ইন্দিয়াগী সোমদেব দেবিস কপ চঙখ্রে



*ভুসান, কোরিয়া, এপ্রিল ০৬ঃ*

কোরিয়াদা চথখিবা দেবিস কপ ৱার্ল্ড গ্রুপতা ইন্দিয়াগী দেবিস কপ্তা শরুক য়ারগনি। মসি ইন্দিয়াগী শান্নরোই সোমদেব ভর্মনা ঙসি শান্নখিবা এসিয়া ওসিন গ্রপ–১ গী মেটচতা য়োং ক্যু লিমবু সিঙ্গলসতা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকপগা লোয়ননা ইন্দিয়া টিম দেবিস কপ্তা ৱার্ল্ড গ্রুপতা শরুক য়ানবা চঙখ্রে।

সেমদেবনা য়োং ক্যু লিমবু ৬–৪, ৫–৭, ৬–৩, ৬–১ দা মায়থীবা পীখিবনি। মহাক্তা নত্তনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই সোনম সিংহসু ৱার্ল্ড গ্রুপ অসিদা ইন্দিয়াগী ওইনা সিঙ্গলস শান্নগদবা অতোপ্পা শান্নরোই অমনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা সোমদেবনা কোরিয়াগী শান্নরোই অসিবু মায়থীবা পীবা ঙমখিবগা লোয়ননা মহাকপু ইন্দিয়া টিম অসিদা য়াওমিন্নরিবা অতোপ্পা শান্নরোইশিংনা থাগৎপা ফোঙনখি। করিগুম্বা মহাক্না মায়থীরম্লবদি ইন্দিয়াগী টিম অসি দেবিস কপকি ৱার্ল্ড গ্রুপ অসি চঙলোই।

ঙরাং শান্নখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মেটচ ওইনা মেনস দবলসকিদা রোহন বোপানা অমদি মহাক্কী টিমমেট সাকেথ ম্যনেনিনা দবলসতা মায় পাক্তুনা ইন্দিয়া গ্রুপ চঙগদ্রা চঙলোইদ্রা হায়বগী চিংবা লৈখি।

ইন্দিয়াগী লুরবা তানফম অসিদা সোমদেব ভর্মনা লৌখিবা থৌদাং অসিবু টিম অসিদা য়াওরিবা মীয়াম্না থাগৎনখি। মমাঙগী চহীদা পাঙথোকখিবা দেবিস কপ ৱার্ল্ড গ্রুপকি ন্যু দিল্লিদা শান্নখিবদা কোরিয়ানা ইন্দিয়াবু ৪–১ দা মায়থীবা পীখি।

## সোনাপুর জি পি লেভেল স্পোর্টস মিট লোইশিনখ্রে

*জিরিবাম পাউমীদগী*

*জিরিবাম, এপ্রিল ০৬ঃ*

সোনাপুর জি পি লেভেল স্পোর্টস মিট অমা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা অদু থা অসিগী ৫ দা লোইশিনখ্রে। মিট অসি জি পি স্পোর্টস এসোসিয়েসন সোনাপুর জিরিবামনা শীন্দুনা কসিম্পুর জুনিয়র হায় স্কুল প্লেগ্রাউন্দদা চথরকখিবনি।

লোইশিনবা নুমিৎকি অয়ুক্তা সোনাপুর য়ুথ ৱেলফিয়র এসোসিয়েসন অমদি প্রোগ্রেসিপ ব্রদর্স এসোসিয়েসন লালপানি জিরিবাম অনীনা ক্রিকেট মেটচকি ফাইনেলদা থেংনখি। ফাইনেল অদুদা সোনাপুর য়ুথ ৱেলফিয়র এসোসিয়েসন্না ওভর ১২ দা রন ১০০ লৌখি।

মসিগী পাউখুমদা প্রোগ্রেসিব ব্রদর্স এসোসিয়েসন্না ওভর ১২ দা রন ৭৬ লৌরগা ওল আউট ওইখি। মেটচ অদু এস ৱাই দব্লিউ এনা রন ২৪ দা মায় পাকপা ঙমখি। টিম অসিগী সুলটান অহমদনা রন ৩৯ অমদি ৱিকেট ২ লৌবগা লোয়ননা মেন ওফ দি মেটচকি মনাসু লৌখি।

ক্রিকেট মেটচ অদুগী মতুংদা ফুটবোলগী ফাইনেল মেটচ অমা এস ৱাই সি অমদি এ ৱাই দব্লিউ এ শান্নখি। সেজাং য়ুথ ক্লব অমদি অহমদবাদ য়ুথ ৱেলফিয়র এসোসিয়েসনগী ফুটবোল ফাইনেল মেটচ অদু এস ৱাই সিনা গোল ৪–১ দা মায় পাকখি।

এস ৱাই সিগী শান্নরোই লুনপেনা মেন ওফ দি মেটচকি মনা ফংখি। মহাক্না গোল ৪ গী মনুংদা ২ চনবা ঙমখি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিং অদুদি জিরি পলিষদকি উপা অধক্ষ্য ওইখিবা টি ঐচ ইবোমচা জি পি অসিগী প্রধান ওইরিবা এম দি অসব উদ্দিন জোনেল এদ্যুকেসন জিরিবামগী এ আই ওইরম্বা রিটয়ার প্রামোদস দাসনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইদুনা মনা য়েঙ্হোকখি।

## ৱার্ল্ড কপকি ওপনিং ওইগদবা ষ্টেদিয়ম হৌজিক ফাওবা মপুং ফাদ্রি

*রিও দি জান্দেরো, এপ্রিল ০৬ঃ*

ফিফানা শীন্দুনা হৌজিক পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ সোক্কর অসিগী যুম্থু ওইরিবা ব্রাজিলনা য়াম্না কন্না শেমগৎ শাগৎপগী থবক লৌখৎলি। অদুবু থা অনীগী মতুংদা ৱার্ল্ড কপ অসিগী হৌদোকফম ওইগদৌরিবা ষ্টেদিয়ম অসি হৌজিক ফাওবা মপুং ফানা শেমগৎ শাগৎপগী থবক লোইশিন্দ্রি।



ৱার্ল্ড কপ অসিগী হৌদোকপা নুমিৎ অসিদা মফম অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওপনিংগী সেরেমোনি অদুগা লোয়ননা যুম্থু ওইরিবা ব্রাজিলগা থেংনগদৌরিবা ষ্টেদিয়ম অসি হৌজিকসু মপুং ফানা লোইশিন্দে হায়না ফিফাগী সেক্রেটরি জেনরেল ওইরিবা জেরোমি ভালকেনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, ৱার্ল্ড কপ অসি পাঙথোক্লবগীদমক হৌজিক যুম্থু ওইরিবা ব্রাজিলনা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু মসিগী য়াম্না মরু ওইবা ষ্টেদিয়ম অনীদি মপুং ফানা লোইশিন্দ্রি হায়রি। অদুগা অতোপ্পা ষ্টেদিয়ম অহুম অমনা ৱার্ল্ড কপ অসিগীদমক্তা শুরিবা থবক অসি য়াম্না তপ্না চৎলি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

হৌদোকপগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবা সাওপৌরোদা লৈবা ষ্টেদিয়ম অসি চাওরাক্না সিট লীশিং ৬৮ চনবা ষ্টেদিয়ম অমনি। মসিদা অহৌবা মেটচ ওইনা কোষ্টারিকা অমদি ব্রাজিলনা জুনগী ১২ অসিদা শান্নদুনা ফুটবোলগী কুম্মৈ অসি হৌদোক্কদৌরি।

ষ্টেদিয়ম অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্না পান্দম থমদুনা চৎলিবা থা অসিগী ময়ায় ওইরকপদা ষ্টেদিয়ম অসি মপুং ফানা লোইশিনগনি হায়না সেক্রেটরি অসিনা মখা তানা পনখি। মসিগা লোয়ননা ষ্টেদিয়ম অসি ৱার্ল্ড কপ হৌদ্রিঙৈ মমাঙ হায়বদি মে ১৫ দা মীয়ামদা খূৎশিন্নগনি।

মফম অসি শেমগৎ শাগৎপগী থবক কন্না চথরিঙৈ মনুংদা ষ্টেদিয়ম অসিবু শাবা য়াওবা মীওই অনী নবেম্বর থাদা মখোয়না কারিবা অৱাংবা মফম অদুদগী তারক্তুনা শিখি। হৌজিক ফাওবদা ৱার্ল্ড কপকি ষ্টেদিয়ম শাবদা শিখিবা মীগী মশিং অসি ৮ শুখ্রে হায়নসু মহাক্না পনখি।

সিটি অসিগী লুচিংবা অমা ওইরিবা মীওইনা ফোঙদোকখিবদা মফম অসিদা থাদরক্লিবা শেলফম অদু হৌজিক ফাওবগী ওইনা মপুং ফানা ফংদে হায়বসি মমাঙদা ফুটবোলবু পামজবা মীওইশিং, পাউমীশিং অমদি স্পোঞ্চরশিংদসু ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

সিটি অসিদা লৈরিবা ষ্টেদিয়ম অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ অসিগী মনুংদা মেটচ ৫ দি মফম অসিদা শান্নগনি হায়না পান্নরি। ব্রাজিলনা ৱার্ল্ড কপ অসিগী যুম্থু ওইনা মফম অসিদা ৱার্ল্ড কপ পাঙথোকপদা মরু ওইরিবসি শুপ্নগী ষ্টেদিয়ম ৮ খকনি। অদুম ওইনমক হৌজিক মফম অসিদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেদিয়ম ১২ শারে। লোয়ননা অচৌবা ষ্টেদিয়ম কয়া শাবা অসিনা মরম ওইদুনা মফম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগা অচৌবা মুক্নবা অমা লাক্লে হায়বা তাই। মরমদি শেল য়াম্না লৈতবা লৈবাক অসিদা অসিগুম্বা অচৌবা ষ্টেদিয়ম কা হেন্না শাবসিননি।

ফিফাগী সেক্রেটরি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ৱার্ল্ড কপ পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শারিবা ষ্টেদিয়মশিং অথুবা মতমদ লোইশিন্না মফম অদুগী লোকেল ওর্গনাইজিং কম্মিটি বোর্দকি মীওইশিংগা ফম্মিন্নদুনা য়াম্না থুনা থবক য়াংশিন্নবা ৱাফমশিং য়ানবা লৈখ্রে। মখোয়না ষ্টেদিয়মশিং অথুবা মতমদা লোইশিনগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লখি।

## মেদল লৌরকখিবী ইনাওবী ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ঃ*


হেল্দি ৱুমেন্স সোসাইটিনা শীন্দুনা ঙসি ললাম্বুং তখেলম্বা লৈকাইদা লৈবা অচম্বা থৌরম অমদা হন্দক কোম্বেতোরদা পাঙথোকখিবা নেসনেল মাষ্টর এথলেটিক মিট অদুদা মেদল অহুম ফংলকখ্রবী লাইকাংবম ওংবী ইনাওবী দেবী ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।




থৌরম অদুদা ঙাংবম টেজকুমার, দাইরেক্টর প্রোসিক্যুসননা চীফ ষ্টে অদুগা হেল্দি ৱুমেন্স সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট মৈস্নাম ইবেমহল দেবীনা প্রসিদেন্ট ওইদুনা অদুগা ইনাওবীগী কোচ ওইখিবী রোসোরি দেবীনা গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইখি।

ইনাওবী হৌজিক হৌজিক থ্রোট কেন্সর পেসেন্ট অমা ওইনা মুম্বাইদা লৈবা টাটা হোস্পিটালদা ট্রিদমেন্ট তৌরিবী শান্নরোই অমনি। মহাক্কী অনাবা অমদি শেল লৈতবনা মরম ওইদুনা চহী অসিগী সেপ্তেম্বর ১৯ দগী ২৩ ফাওবা জপানদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টর্নেসনেল মাষ্টর মিটতা শরুক য়াররোই হায়রি।

## পেরিস এয়ারপোর্টতা ইন্দিয়াগী সুটর খুদোংথীবা নঙখ্রে



*গুৱাহাটি, এপ্রিল ০৬ঃ*

অল্টাতাদা পাঙথোকপা ইন্টর্নেসনেল সুটিং স্পোর্টস ফেদরেসন্না শীনবা সুটিং কম্পিটিসন্দা শরুক য়ারুরগা হল্লকপা ইন্দিয়াগী সুটিংগী টিম অদুবু পেরিস এয়ারপোর্টতা এয়ারপোর্ট ওথোরিটিনা নোংমৈ পুই হায়বগী মরালদা মখোয়না ইন্দিয়াদা হল্লক্কদবা ফ্লাইট অদুদগী কুমথহনখ্রে হায়রি।

টিম অসিদা য়াওরিবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা ওলেম্পিক্তা মেদলস লৌখিবা ইন্দিয়াগী গগন নরন অমদি কম্মন ৱেলথ গেমসতা মেদল লৌখিবা সমসের জং য়াওরি। ইন্দিয়াগী সুটিং টিম অসি অটলান্টা এয়ারপোর্টতা থুংলরবা মতুংদা মফম অদুদা অহিং অমা লেকহনখি। মরমদি মখোয়না তোংগদবা কে এল এম ফ্লাইট অদুনা মখোয়বু তোংন্নবগী খুদোংচাবা পীখিদে। মমৈথংদা মখোয়না নেৱার্কতগী পেরিস ফাওবা দেলটা এয়ারলাইন্স ফ্লাইট অমদা চৎনবা থৌরাং তৌখি অদুবু মখোয়বু মফম অদুদা তোঙহন্দনা থোঙ লোনশিনখি হায়রি।

## ওষ্ট্রেলিয়ানা ইংলেণ্ড থোইদুনা নুপীগী টি–২০ অহুমলক চেম্পিয়ন ওইখ্রে

*ধাকা, এপ্রিল ০৬ঃ*

মফম অসিদা চথরকখিবা আই সি সি টি–২০ ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপকি ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়ানা ইংলেণ্ডবু ৱিকেট ৬ তা মায়থীবা পীবগা লোয়ননা অহুমলকশুবা ওইনা টি–২০ গী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ইংলেণ্ডনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ওভর ২০ শান্নবা লোইখিবদা ৱিকেট ৮ তুবদা রন ১০৫ লৌখি। ইংলেণ্ড টিমগী মায়কৈদা রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌখিবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা হেথর নাইটনা রন ২৯ অদুগা সরা টাইলরনা রন ১৮ লৌখি।



মসিগী পাউখুম ওইনা ওষ্ট্রেলিয়ানা ওভর ১৫.১ দা ৱিকেট ৪ তুবদা রন ১০৬ লৌদুনা ইংলেণ্ড টিম্বু ৱিকেট ৬ তা মায়থীবা পীখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী মেগ লান্ননিং রন ৪৪ লৌখি অমদি এল্লিয়েস পেরিনা রন ৩১ লৌদুনা মখোয় অনীনা খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবা শান্নরোই ওইবগা লোয়ননা মেটচ লোইবা ফাওবদা ক্রিজদা লৈখিবা শান্নরোইনি।

লন্ননিংনা রন ৪৪ লৌখিবদু বোল ৩০ দনি মসিদা মহাক্না সিক্স ২, অমদি ফোর ৪ য়াওখি। টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই পেরিনা ওল রাউন্দর ওইবগা লোয়ননা রন ৩১ লৌখি অমদি মহাক্না ৱিকেট ৪ লৌখি।

নীংশিংবা য়াই নুপীগী ইহান হান্না হৌখিবা টি–২০ অদুদা ইংলণ্ডনা চেম্পিয়ন ওইখি। অহানবা অদু ইং ২০০৯ দনি। ওষ্ট্রেলিয়ানা মমাঙদা লৌখিবা অদুনা ইং ২০১০ অমদি ২০১২ দা পাঙথোকখিবা অদুদনি। ইং ২০১০ গী অদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী কেরিবেনদা অদুগা ইং ২০১২ গী শ্রীলঙ্কদা পাঙথোকখি।